# ৱারী মচা

## ঐখোয়সু মীনি

**চুংখাম রনবীর**

উখ্রুলদগী ইম্ফাল্লোমদা লাকপগী লম্বীনি। য়াল্লবা মীয়াম অদু পুদুনা মঙম শান্দ্রবা খোঙচত্তা বস অদু, থেক্লা খোয়না চৎলিবা চীংগী লম্বীগী তুং ইন্না মতিক মপা চাদনা চাউরবা জীবা য়োৎলুরবা লাইরেননা মশা লেংঙম শাঙমদনা চৎপগুম চৎলি।

মাগী মাগী পন্থুংফম খৌরাংনা ঙাইনরিবা ময়ামদুগী মনুংদা ঐসু অমনি। লৈনফম লৈতনা চিল্লিবা মীয়ামদুগী হৈনদবা মনমনে, গারীগী ইঞ্জিন মনমনে ইশা অসি হৈনদবনা লোইরে। ঙরাং অহিংগা ময়াম বিদায় তৌনবদা মপুং ফানা তুমহৌদবনা য়াম্নসু চোকথরে। তোয়না চৎপা লম্বী ওইবনা খরদি শাফে হায়ববু কোক অসিসু ঙাওরক্কদৌরে। তশেংনা গারী শাংনা তোংলকপগী অৱাবা অদো ঐঙোন্দসু চপ চানা ফঙলে। ঐঙোন্দা নুংঙাইরিবা হায়ববু ঙসিদগী য়ুমদা নে–না তানা লৈরুরনি হায়বা অদুতা মঙাইরে। ঙাইহাক্তং উইরগা ফরকপা য়াই খন্দুনা টৱাদগী হাওফি লৌথোক্লগা সিটকী ঙাথফম কোক মপা চানা ঙাকশিল্লগা উইরুরি।

ঐদি চান্ননা, ফনা কুইনা উইরুরবা জাৎনি। ময়াম ৱা–ৱা লাংনবগী মখোলদা মীকপ খঙথোক থোক্লকই। ঐনা য়েংথোকখিবদদি খঙলে, ঐনা তোংলিবা বস অদু লিতানগী কৈথেন্দগী খরা হেন্দোরক্লগা লেপ্পী হায়বসি ঙসাই চিলহৌবা মীয়াম অদুসু অদুক হাক্লা চিল্লমদরে। ঐনা মীকপ হেক থোকপগা ময়াম লাওনরিবা মনিং থংবা থোঙলোমদা য়েংথোক্লুবদুমক্তদদি উরে, নৌরিবী চহী ২১ /২২ মুক্কী লোন্দমক ওইগদবী মৌ নহা অমা, মনমগন্দসু চহী ফাদ্রিবা অঙাং অমা পোরদুনা গারী মনুংদা কাখৎকদবগী হোৎনরি। অদুগা মীয়াই চল্লবী নুপী অমনা মখূৎ পায়দুনা চিংথনবা লাক্লরি। মৌ নহাদুনা কপ্পা কপ্পা হায়রি।

– ইনম্মা ঐবু খাম্বীরগনু ঐ য়াম্না ৱারে ইনম্মা। নৌপ্পানুপানা ওৎপদা ঐ খাংবা ঙমদরে।

– নঙনা চৎনিংঙে হায়দুনা হেক্তা চৎপা য়াগদ্রা? চৎকে হায়রবসু ৱা ফজনা ঙাংনখিগদৌরিবনি।

– নত্তে নত্তে! ঐ কনাগসু ৱা ঙাংনজররোই। কনামত্তদা ঐগী পেন্দবা ৱাসু হায়জররোই। ঐবু থাদোকপীরো। ঐ ইচাসিগীদমক মতম খরদংদি হিংজখিগে।

ৱাহৈ অসিগা লোয়ননা কপ্পা কপ্পা গারীগী থোঙদা য়ান্দুনা অরোইবা শক্তিদা খাংলি। নুপীদুগী ফিভমদুদা ঙসাই মখৈ কুম্মৈ ওইনা য়েংলম্বা মীয়ামদুগী মরক্তগী ললোনবী নুপী খরদি মচিন য়াওনরক্লে।

– ইবেম্মা অঙাংসিনা অসি য়ৌরবদি চৎহনখ্রো। নখোয়না ঙাংননিংবা ৱাশিংদু কোন্না মখোয়গী অহল–লমন য়াওনা ঙাংনরো।

নুপীদুসু ময়াম্না ঙাংলক্লিবদুগীসু চপ চানা অদুম খুম্মী,

– মসি ইমুং মনুংগীনি। ময়ামনা খঙপোৎ নত্তে।

অসিনচিংবা কয়া মথং মথং কবোক পোকপদু মঙাই। অদুবু মৌনহাদুগী মখূৎ পায়দুনা চিংথরম্বদুদি থাদোকখ্রে। তাঞ্জাদুদা মৌনহাদুসু শাদানবগী মখূত্তগী নাম্থোক্লবা শজি অমোমগুম তথক তথক গারী মনুংদা চেনশিল্লক্তুনা ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা হায়রকই।

– গারী থৌবীরো থুনা গারী অমুক্তা থৌবীয়ুবা। ঐবু অমুক্তা নুংশিবিয়ু। হন্দকমুক মখোয়না ফঙখ্রবদি ঐহাক হিংলরোই। ইচা অসিসু মাঙহৌরগনি।

মাগী মতৌদুদা নুংঙাইতরা মাল্লে বসতা তোংলক্লিবশিংগী মরক্তগী গারী থৌনবা মতেং পাঙনরকপা য়াওরক্লে। থোঙ থিংজিন্দুনা গারী ষ্টার্ট তৌরে। তাঞ্জা অদুদা নুপাগী হৌরবা খোঞ্জেল অমনা মপান্দগী লাউরকই।

–গারী থৌখিনু ঙাইখো। হে নহাক ফজনা লেম্না হায়রিঙৈসিদা কুমথরকউ। ঐনা শ্রো–শ্রো লাক্তুনা চিংথরবদি ফরোই। অদুগা চৎকে হায়রবসু অঙাংদুদি পুখিবা য়ারোই।

ঐসু খোঞ্জেল লাকপা মায়কৈ অদোমদা য়েংথোক্লুই। নুপীদুগা লেঙ্গা হায়ফেৎনা চান্নদ্রবা মুবগী মথক্তা কামখৎলিবা মমায় অদুনা নিশাগী মীনি হায়বসি তাকচরবা নুপা অমনা অঙাংবা মমিৎ অনীদুনা নুপীদুদা খানা য়েংদুনা ঙাংলিবদু উবদা মশক মশা খঙদবা মৌ নহাদুগী মীচং খঙচং চঙনিংঙকখি। নুপীদুদি খোঞ্জেলদু তাবদা হৌদোংগী মমাঙদা উচিনা কিবদু মঙাই। মায়কৈ অদোমদা ফাওবা য়েংথোকচদনা ফিংনা হায়রকই।

–গারী খাম্বীগনু, গারী খাম্বীগনু।

ফিভমদুদা ঐসু খঙহাই হায়দোক্লুই।

–খামুরনু –খাম্মুরনু।

হায়দোক্লুরগা কোন্না ইকায়রকই। ঐখোয় খরনা হায়রকপা দুদদি দ্রাইভর অদুসু খামদরে। বসকী চপ চাবী খোঙজেলন্দা চেনখৎলক্লে। মাগী মীপাইরম্বা ফিভম অদু খরা শাফরে হায়ববু হিক–হিক কপ্পা অদুদি ফাজিনবা ঙমদ্রবা মাল্লে। মাগী শেৎলি চারিবা, অদুক নহা ওইরিবী মঙোন্দা নুপী ওইবীগী মরেক মহাও য়াওদ্রিবা ওইরক্লিবা ফিভমদুনা মাগী ওইরমগদবা পূন্সিদু ভাব অদুম তারে। ঐগী কনা নৎত্রবসু য়েংবদা নংঙাইতবা অমদি ফাওই। অদুবু কনাসু করিসু হংনরকপা হায়নরকপা য়াওদে। খন্নরম্বসু য়াই, হংঙুরগা মঙোন্দা হেন্না নুংঙাইখিরোই। ইঞ্জিনগী মখোল নত্তনা তুমিন তুমিন লোয়না লৈনৈ। মরক মরক্তদি মনমগন্দা পোরিবা করিসু খঙজদ্রিবা অঙাংদুদি মরোল মরি খঙদনা বু–বা, বু–বা হায়দুনা মখূৎ মচাদু হায়দুনা শান্নরি। অদুকসু নহা ওইরিবী মশক মতৌসু ৱাত্তবী অদুগা করম্বা অশোয়বা লৈদুননো লেঙ্গা চান্নদ্রবা থিখ্রবা নুপাদুদা ময়ূম পাল্লুরিবা। নুপাদুগী করম্বা মগুন্নো? ইথন্তা খনবগী ৱানি হংঙুবদি নত্তে।

মাগী মতৌ অদুদা থঙনরিবা হনুবীদু নুংঙাইত্রমাল্লে।

–ইবেম্মা তোকও–তোকও খল্লুরনু। লম্বীদা কপ কপ্তুনা চৎপা হৌনদে।

–ইমা ঐ মখোয়না ঙাংখিবগী চৈখিবগী কপ্পা নত্তে।

হায়রদুনা অঙাংগী মতৌগুম্না মপান্থোম অমদি অতৈ হকচাংগী মফম কয়াদা তারিবা চৈফমগী মমি। চৈগী নত্তে, অচাকপা মৈহুমগুম্বনা ফুবগী মমিনি। ইল্লিবা ফিদু হায়ফেত্তং হায়দোক্তুনা উৎলি। উবদা ঐখোয় নুপা ফাওবা তু চুংই। নুংশাগী মৈশানা খরা কল্লবদি চাকথেকখিগদবোই নিংবা নুপী ওইবীগী থোৎলগা হকচাং অদুদা অদুক মীনুংশি লৈতনা। কপচবা নত্তনা মখূৎসু হল্লরোইদবা। চৈনা অদু ঐখোয়দা ওইরবা ফাওবা খাংবা ৱাগনি। ঙসাইগী নুপাদুগী শকফমদু মাঙদা শং শংনা অমুক ফাওরকই।

–করি ৱাহৌদগী কমদৌনা তৌনরক্লিবনো ইবেম্মা?

হনুবীদুনা হংখি।

–মাগীদি ৱাহৌ হায়বা অমমুক লৈত্রে। য়ু হেক থকউবগা ৱাহৌ হায়বদু অদুম ওইরে। মদুসু পুং ২৪ থক্তুনতা লৈবা জাৎনি।

অদুদগী হনুবীদুসু ৱা পাংশিল্লকই।

–মখোয়গী য়ু হায়বদুবু কয়ামুক হাওবা জাৎনোনে। হৌজিক্তালসিদা তৌরিবসিবো? হৌজিক্তা য়ু থক্তবা মীদি হিদাক তৌগে থিবা ফঙদ্রে হায়দুনি ইবেম্মা। ঐখোয়গীদসু য়াওরিবনিনে। মখোয়না হায়রিবা য়ু থক্ত্র বদি শঙ্গা লৈতেনে। অদুনা অমুকতোইবা ওফিসকী থবক অমগা তৌরবদি লোইরে পার্টিনি অদুনি অদানি। মদুদা থিংঙুবগা য়াপোৎ নত্তে। ইবেম্মা। ঐখোয় নুপীনা করিগুম্বা মখোয়না য়ানিংদবা থবক অমত্তংগা তৌরুরবদি চৈ চাবা অদুদগী হেন্দোক্তুনা ইপাম ফাওবা য়ৌবা। অদুগা ঐখোয়না য়ানিংদবা থবক মখোয়না অসুক য়াম্না তৌরিবসিদা ঐখোয়না ৱাহৈ অমত্তংগা হায়রুরবদি অমুকতোইবা মচিন থিগা, থকশি–খাশি নাইদেগা হায়দুনা ঐখোয়না অদুম লানবা তাবা। ঙাংনিংবা কয়া লৈরবসু ঙানা ঈশিং মনুংদা ৱা ঙাংবগা চপ মান্নরবনি। হায়সু হায়বনি ঐখোয়দি হিংবু হিংনিংদ্রবা জাৎনিহে, শিবা য়াদদুনা খাংবনি।

হনুবীদুসু মীনা তাবা, তাদবা খঙদে। মাগী লৈজরম্বা পেন্দবা মরী মরী হৈথরকই। ঙসাইমখৈ তুমিন্না তারম্বদগী য়ুগী ৱারী য়ৌরকপদুদদি ঐসু মীৎ–না খংশিং শিংই। তুম্নিংঙম্বগা পুমকাও। মখোয়গী ৱারীদু তারুরগা ঐসু হায়ফেৎ ইকায়বা ফাওরকই। ময়ামদুগী মরক্তগী ঐবুসু য়েংনরকপা য়াওরবোইকা নিংলুরিপোৎনি। অদুবু ঐদি মখোয়না হায়রিবা অদুম্না কা হেন্না থকপদি নত্তে। য়াম্না অপিকপা চাংদা, মদুসু য়াম্না পাল্লুবগী ৱাসু নত্তে। ওফিসারনিকা হায়রগা ইমান্নবা শঙ্গা পুল্লকপদা নুংঙাইতে হায়দুনা তৌরিবনি। মদু ফাওবদা ঐখোয় নুপীনা কয়ারক্লি ঐঙোন্দা হায়জখিবা। মখোয়না য়ু পামদবসি পামখিদ্রবা ওইরে। অদুবু ঐনা নুপী ৱানি হায়দুনা নাদা হাপ্লুদে। অদুবু ঙসিদি লম্বীসিদা নীংবু নীংশিংলকই। ইকুইবু কুইখিদ্রি মমাঙগী থাগী ছুটিদা ঐনা য়ুমদা থোক্লুবদনি। নোংমা ঐনা পার্টি অমা য়াওরুরগা হল্লকপদনি মহাক্লা মপি তাবমখৈ থকপা অসি থাদোকপীনবা হায়জখি। মদুদা নিশা খরা পাল্লবা ঐনদি মানা ঙাংলিবদু করিমত্তা খন্থবা তৌদনা মাবু থিনা চৈবীখি। খূৎপাক্লা ফাওবা থাখিবা মাল্লে।

নঙনা ঐবু ৱারকপা য়াবা মীরো। ঐনা খরা লুনা তৌরে হায়না নঙ য়াম্না নৱাংঙেনে হা। ঐসে নঙগী নুপা হায়বদি নপুরোইবা ওফিসার মীয়াম্না ইকায় খুম্নরিবা খঙলব্রা? ঐসে ওফিসারনিনহে ওফিসার। নঙগুম্বা মপাল থোক্তবা নুপীনগা ৱারকপা য়াবা মীদো ঐদি নত্তে। নঙনা অদুম্নগা তৌরবদি থক্কনি হেন্না হেন্না থক্কনি।

নুমিত্তুদা লৈয়েং ইফাই ফাইরদুনা ঐনা ঙাংখিবশিংদো। হৌজিক্তঃদা ইকায়রকই। নুংঙাইরক্তে। মহাক্তি কপখিবমাল্লে।

ঙসাইগী মৌনহা অদুসু মাগী পূন্সিগী ৱারীশিংদো মতেক মতেক ওইনা হনুবী অদুদা লিরি।

–লৈশারিঙৈদগী হৌনা ঐদি মাবু শুকহৈ হৈনরক্তবনি। ইসুং ইমান্নবসু নত্তবা অদুবু মহাক ঐখোয় মাম্মগা লুন্না তিন্নৈ অদুনা ঐনা থিনা হায়বা ঙমদবনি। ঐখোয় মাম্মদুসু মাগুম্বনি। মখোয় অনী শিন্নদুনা ঐবু নমদুনা মাগী মখূৎ চনখিবনি।

অদুদগীদি মাগী ৱারীদু লেপখরে। অদুগা হিক হিক কপ্লক্লে।

হনুবীদুনা তপ্পা অমুক হংলুরি।

– নঙদি নশানা য়াদে, খোত্তে অমত্তা হায়হৌদ্রা?

– হায়দ্রে! হায়রুদুনসু কান্নররোইদবনা। মরমদি, পাবুং লৈখিদ্রে। ইমানা লুকমাই পান্দুনা ঐ অমদি পীক্লিবা ইপ্পাদুগগী অপিকপা ইমুং অদুদা মাম্মদুনা য়েংবা য়েংদবা ময়ামগী মীৎয়েংদদি মাম্মদুনা ঐখোয়বু য়েংশিল্লিবনি। অদুনা মাম্মা য়াওনা শিন্নখ্রবা থবক্তুদা পূম্নমক অরেম্বনি। কন্না শিংনরুবা তারগনা ইমা ইচা ঐখোয়দা হেন্না অৱাবা ওইরক্কনি।

– মহাক্তি থবক্তা অমত্তা তৌদ্রা? অঙাংদি সিমা খক্তা ঙাইরিবা নৎত্রা?

–অঙাং নুপী অমদি চহী অমগা খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা হাকুম লৈখিদ্রে। মদুসু ইরাই লায়বা লায়নানি অদুবু পৈশা খরদং পুথোক্তুনা নৌরিঙৈদা লায়েংহৌবা ঙমহৌদবদগী কনবা ঙমখিদরে। তশেংনা মদুসু মহাক্লা হাৎপনি। মাগী য়ু থক্লবা জুৱার শান্নবা হোৎনরিঙৈদা লায়েংবা ঙমহৌদবনি। অদুগা ঐনা লাকপা নৌরিঙৈদা সরকারগী থবক মচা অমদি তৌরম্বনি অদুবু চাং নাইদবদগী তোকখ্রে। ইমুংদুদা চরা হেনবা মা খঙদে। ঙরাং নহানসিনা ইচা অসিবু অনীশুবসু নত্তবদা কনানো মচা পোকচদবা মহাক্কী মমান্নবা অমদা পীখ্রসি হায়দুনা কন্না তক্লুরে। মানা হায়দোক্ত্রবসু পীখিগদবা নত্তে, য়োম্থোকখিগদৌরিবগী তৌরিবনি হায়বসু ঐ খঙই। মদুগী ৱাহৌদগী ঐবু ফুবা য়াবা ফুরে। ঙরাং নুমিদাংদি য়ু থকচিল্লগা লাক্লগা পুগদবগী হোৎনররে। মাগী থবক্তা অপনবা পী হায়দুনা ঐবুসু হাৎতোক্লনি হায়দুনা খৌরি মেৎখাইগদবগী তৌরম্লবনি। মচে চঙলক্তুনা খাল্লমদ্রবদি করিগুম্বা অমদি থোক্লম্বা য়ারিপোৎনি।

হনুবীদুদি চান্ননা নুংঙাইরুদ্রবা মাল্লে।

–মহা পাপ্পীদো মথিবোং য়ু খরা থকচিল্লুবদুদদি শা ওল্লক্লবনিনে।

মখোয়গী ৱারীদুদা ঐহাকসু খূৎসি টৱা মনুংদা হুমজিল্লগা ঙসাই উখ্রুলগী ও সি দুনা কায়নরমদাইগী খূদোল তৌরকপা অঙাংবা লিক্লি অদু টৱাগী নাকলদা চেকশিন্না য়াওরিবা কনাসু উবা নত্তবদু টৱাগী মখা থংবা শরুক্তা ইনশিল্লগা মথক্তা হাওফিদুনসু অমুক কুপশিল্লুরি।

হন্দক্তি মৌ নহা অদু ইচং থৌনা হায়খি।

–ইমা ঐসু খাঙবা য়াবা খাঙলক্লে। শিরসিরা হায়দুনা ঈচেল কল্লবা তুরেলগী তোৰ্ৱান্দা কয়ারকসু লেপ্লুরে, অদুবু হৌজিক্তি ঐহাক শিররোই ইচা অসিগীদমক।

ঐসু মমানি, ঐহাক হিংখিবা তারি। মখোয়গুম্বা নুপাশিং অসিবু শিংনদুনা। মখোয়গী মতেং য়াওদ্রবসু ঐখোয় হিংবা ঙম্মী, ঐখোয়সু মীনি হায়বসি উৎলগে খল্লে।

–হোৎনৌ ইবেম্মা হোৎনগদবনি। ইপুরোইবা ওইরবসু শা ওল্লবা মখোয়দি শিংনবদা করিসু কায়দে।

হনুবীদুসু পানবা য়াওরমাল্লে পেন্না হায়খি। ঐখোয়নগা নুপীবু হন্থনা খল্লুবদু ইথন্তা ইকায়জরকই। মখোয়গী ৱারী তানা তানা লাকপনা ঐসু ঐগী পন্থুংফম য়ৌরদুনা কুমথহৌরে। অদুবু মৌ নহাদুগা হনুবীদুগদি মখোয়গী অৱাবা পেন্দবা ৱারী কয়াদুগা লোয়ননা অচেনবা বসতুনা অদুম্মক পুখ্রে। বসতগী হেক কুমথবগা মখোয়গী ৱারীদুদগী হেক লাপথোরকপগা ইশা অসি পোৎলুম অমা থাংথবগুম খঙয়াং য়াংই। অদুবু মখোয়গী ৱাহৈ খরা নীংশিংলুবদা টৱাদা য়াওরিবা অঙাংবা লিক্লিদু খঙনিং নীংশিংলকই। খাউ অদু ফাওবা খঙলুম লুমথরকপগুম তৌরকই। মতম কুইনা অমুবা নোংতনা কুপশিল্লুরবা ঐগী থম্মোয় খঙহৌদনা নোংলৈ অমনা হুমদোকখিবগুম তশেং তশেংলক্লে। গেট ময়াদা নাকলদা লৈরিবা খোঙবাল অদুদা নুংপাক অমদা থোমদুনা ঐঙোন্দা অরুম্বা ওইহল্লিবা অঙাংবা লিক্লি অদু মচেৎ মচেৎ তাহল্লে।

অকায়বা লিক্লিগী খোঞ্জেল মরক্তা হিক হিক কপ্পা নুপীগী খোঞ্জেল অমগা লোয়নননা তারকখি।

–“ঐহাক মমানি, ঐখোয়সু মীনি।”

## শৈরেং

### পামজবা

*– লাইশ্রম দেবেন*

ঈশৈনা থৱায়নি ঐগী
ইখিনি থৱায়না হিংলিমখৈ
লেপ্পনি নোংমদি শোয়দনা
থৱায় হকচাং কায়নরগা।।

ঈশৈ শকপা শকপীনা
শকখিবা য়াই শকখিদবা য়াই
থোইনা মীকারুবা লৈতে
মীহৌরুবসু মথৌ তাদে
পামজবৈ ইজরুবনি।।

ফোঙদোকচবনি থম্মোয় খোঞ্জেল
পাউদমজবনি পূক্লিংগী ৱা
অপেনবনি মসিনা ঐগীদি
ঈশ্বরদা খুরুমজে চোকথবা লৈতনা
পাঙ্গল হাপ্পীয়ু হিংলিঙৈ মতমদা
নগুনবু ইজবনি নমিংতা শৈথাজবনি
প্রেম পুজারিনি নঙগী লেঙদ্রবা।

### খন্নবিয়ু নৈনবিয়ু চাউখৎহনসি

*– ইরোম মোবি*

এম পি ওইদ্রিঙৈ মমাঙ
লূপ কয়ানা উনদুনা
করি করি মীয়ামগী থবক তৌখিবা
আই এল পি এস য়াওনা
করি করি থবক তৌরক্কনি
কুপ্পা খন্নখি নৈনখি
অপাম্বা অনিংবা কয়াসু খঙহনখি।

হৌজিক এম পি ওইরে
মীয়ামগী মীহুৎ ওইরে
হৌখিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন্দা
করি থবক পাঙথোকখ্রবগে।
মথংগী সেসন্দনা
করি করি থবক পাঙথোক্কদৌরিবা
অমদি মীয়াম্না তৌহন্নিংবনা করি
হান্নগুম কুপ্পা খন্ন–নৈনবা ফগনি
ভোট মমাঙদা তৌখিবগুম
চাউখৎ লমজেলদা য়াওনবা
এমপি ইম্ফালদা লৈরিঙৈ।

### খুভমথক্তা

*– বীজয় মঙাংচা*

নোংমা নোংমগী ইনথোক্লক্লি
লৌ মপু য়োংনা তাল্লক্লি
ময়োনলম পায়শিল্লক্লি
মীতোপ মীয়ানচাশিংনা,
খোঙ্গ্রাই নিক্লি
লৈঙাক মপু
উনা উনা উশিন্নদে
নাকোইননা মীৎয়েং য়েংলি,
মীয়ামগী ইরাং নমথরি
খুৎলায় পায়বা পুলিসনা
তান্ন–তান্নদুনা ফুথরি
খা–ৱা মায়কৈ সলাই খঙদনা চেন্নরি,
হরাও–মথোই কাজরি
মীতোপ মীয়ানচাশিং
মমীৎ লাওথোক্তুনা য়েংলি
অহাংবা মফম থীরি ইরমসিদা
মথোন মথোন শাগৎলক্লি
ইপা ইপুশিংগী খুভমথক্তা
খোঙনেৎনরি মনিং তম্না
অপাম্বা অনিংবা পাঙথোকহল্লি
লমদমসিগী লৈঙাকপশিংনা।

## তাবুনুংদগী

*সেপ্টেম্বর থা অসি মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতকী থানি। শক্লোন য়াম্বা লুচিংবা অসিগী মশক থোকপা শক্লোন অমদি মণিপুরী সাহিত্যগী শক্লাইরবা অইবা অমা ওইবসিনি। কবি অসিগী ১৯২৯ দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক অসি মতম অদুগী ষ্টেট সরকারনা ক্লাস ফাইভকী টেক্সবুক ওইনবা লুপা ৬০ পীদুনা কোপিরাইট ফাওবা লৈখি। লাইরিক অসিদা য়াওবা য়াম্না চম্বা শৈরেং ''খোম্থাঙ'' হায়বসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

### খোম্থাঙ

“ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা
ঐনা লাউরগসু লাউরিবা,
ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু
কনানো শকউদবা নহাকপু?
থোরকউ লাউ ঐগা ৱারী শাসি।
থোরকউ লাউ শক মখঙনসি।
নশক্তি উদে হে নোক্লচাউবা।
হৌনদবনি (মীগী) মতৌতম্না নোক্লবা।
হেক ঙাংলকপদি ঐগী তুং ইন্ননা,
খংপেক খংপেক খংই খঙহৌদনা।
হৌনদবনি মীগী চীন্থক্তা ৱা ঙাংবা।
চুমদবনি মীনা খংনবা তৌবা।
নঙনা ঐবু করিগী ’সুক তাথীরি
য়েক্লবা থমদবনি অফবা মীদি।”

## মণিপুরী পাম্থৈ–পাঊরৌ, পাউতাক

* **ৱাক্কী মচা ৱাক, উরোক্কী মচা উরোক।**
  – উগী উহৈ, মপাগী মচা।
  – কৈনা তোকপা পোক্তে।
  – মচাদি মপা মমাগী শাজৎ লৌই।
* **কৈ অহিংবগী মমায় নানবনা হেন্না ফৈ।**
  – মপূক্লিংনা শুকয়া হেক য়ানিংদবা থবক।
  – হায়ন–তান্নবা য়াম্না ৱাবা মীগা উন্ননিংদবা।
* **কাওখৎপবুদি কাওথবনা ৱাদবা হেল্লি।**
  – শেমগৎ শাগৎপবুদি য়ৈখায় থিনগাইবনা লায়বা হেল্লি।
* **কাঙ চাকচা য়াখুন নাইদে, হয়িং চাকচা খোঙ্গুল তাদে।**
  – অপিকপগী থৌশুদবা মতৌ।
  – মশক থোকপা থবক নত্তবনিনা খুদম চাংদম ফঙদে।
* **কুমদমখোন তাদ্রবদি কেৱাদা হংউ।**
  – কেৱা মতোন্দি কুমদম্বা মায়কৈদা ওনশিল্লি হায়নৈ, অদুনা মঙোন্দা য়েংলগা কুমদম মায়কৈ খঙই।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– অরাপ্পদগী য়ুমদা লাকপা অতিথিবু পীজদনা মানা চারিবদু মীদু শোক্ল–শম্ন য়াদবা চান্দালনি।
– বেদ মর পারবা, ধর্ম শাস্ত্র ময়াম নৈনরবসু মশাবু (আত্মবু) খঙদ্রবদি, মীদু খাবৈনা লোইনা ওৎলবসু মহাওদি খঙদবগুম্বনি।
– ব্রাহ্মণ মওং ওইবা অঙকপা হি ফংলবা মহাক অদু লাইবক ফরবনি। হিনুংদা চঙজরবদি (তাইবঙ) ঈপাক লানবনি, মপান্দা ফমজিল্লবদি ঈৱাক্লুবনি।
– নুমিৎকী ময়ূম চঙলুবদা থানা মঙাল মাঙখি অমসুং নুমিৎকী মতূং ইল্লি মতৌ অদুগুম্না মগুণ ফনা লৈদুনসু মীগীদা শাইদাংদুনা লেনবা মীগী মগুণসু মাঙই।
– অচৌবা খোইমুনা থম্বালগী থোৎলবা লৈকাদা তোংলগা লৈহি পেন্না থকই, অদুবু য়েক্লবা কাঙলূপ ওইবা কুতজগুম্বা লৈদা ৱাংনা পাইখত্তুনা তোংলুবদদি লৈহিসু খজিক্তঃ ফংই অদুগা তিংখংনা ময়াম থিল্লি।
– (ভগবান বিষ্ণুনা মাগী লোয়নবী (লক্ষ্মী) দা করিগীদমক ব্রাহ্মণদা শাউবনো অদুগা মখোয়গী য়ুমদা নহাক্লা করিগী লৈতবনো হায়না হংবদা লক্ষ্মীনা খুমখি) “হে প্রভূ! ইপা (সমুদ্র) বু (অগস্তঋষিনা) শাউদুনা থক্তোকখি, (ভৃগুনা) ইবুংঙোদা খোঙনা কাওখি, ব্রাহ্মণশিংনা মতোমতা চাউথোকচৈ, ঐগী য়েক্লবা সরস্বতীবু পূজা তৌই, ঐগী য়ূম ওইবা থম্বালবু নুতিগী থদৎলি ( হেকই), মখোয়না ভগবান শিববু পূজা তৌই। মরম অসিনা প্রভূ, ঐনা মখোয়গী য়ূম্বু থাদোকই।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২১৬। নুপা অমনা লম্বী চৎপা অমদা করি লমদগীনো হংই, খুমদনা মনম পোম্থোক্লম্লগা চৎখি। অতোপ্পা লম্বী চৎপা অমদা অমুক হংই। অমদুসু মখূৎ শাংনা তিংথোক্লম্লগা চৎখি। করি করি লমদগীনো?

২১৭। খোঙউপ জুরা অনী নুপা অহুমনা তিন্নরগা লৈ। থা অমগী মনুংদা নুমিৎ ২০ / ২০ তোংনসি হায়নৈ। করম্না তোংগনি।

২১৮। লৈ লৈ অৱাং শরু লৈতেংলৈ, করি লৈনো?

২১৯। শা শা শারেনশা তোকপৈ শাদি চনশল্লু। করি হায়রিবনো?

২২০। নুপী অমনা লৈ খরা পুদুনা লাইশঙ অহুমদা কৎপা লাকই। লাইশঙ খূদিংগী মমাঙদা পুখ্রি অমমম লৈ। মথং মনাও নাইনা লৈসি কৎকদবনি। লাইশঙদা লৈশিং কৎত্রিঙৈদা মমাঙদা লৈরিবা পুখ্রিগী ঈশিংদা লুপকদবনি। হেক লুপ্পগা লৈগী মশিং শরুক ২ ওই। লাইশঙ খূদিংদা লৈ মশিং চপ মান্ননা কৎকদবনি। লৈ কয়া পুরকই লৈ কয়া কৎলি ?

***মমাঙ নোংমাইজিং (০১–০৯–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

২১২। মৈখেৎ, ২১৩। মৈখেৎ, ২১৪। ৫ অমসুং ৭, ২১৫। লৈ ৩ খোইমু ৪

## চয়োলপাসিগী ফাগী

**তেরা !!**

*চীংঙ্গোল চঙদুনা তেরা হেক্লুরগা, বোরা কোকথোংনদুনা হল্লক্লিবা, খুঙ্গংগী নহা অমবু লম্বীদা লৈরম্বা ময়াং সিফাই অমনা হংই –*

সিফাই – বোরীমেঁ কয়া সমান হৈঁ ( বোরাদা করি য়াওরি)।

নহা – (হায়ফেৎ খঙলদুনা) তেরা হৈঁ সাব (আর্থনা নঙগীনি সাহেব)

**হিন্দী খঙদবা !!**

*সিনেমা হোল ময়াদা, মফি নান্না শেৎলগা অচাবা লৈশাবী য়েংবা পাখঙ অমনা মনাক্তা লেপ্লবা লৈশাবী খরগী মমাঙদা অফাও শানা মনাক্কী ময়াং মুচি (খোঙউপ শেম্বা) অমদা হিন্দী লোল্লি,*

পাখঙ – তুমহারা ভারা কিটনা হৈ (অর্থ– নঙগী ভারা কয়ানো? হায়রিবনি খঞ্জরিবনা – য়ুম ভারা লৌরগা নখোয় মী কয়া লৈমিন্নৈ)

মুচি – কয়া বাবু?

পাখঙ – কাম খতম কিতনা আদমী হৈ? (অর্থ– থবক লোয়রে মী কয়ানো? হায়রিবনি খঞ্জরিবনা– থবক লোয়রগা নখোয় মী কয়া লৈমিন্নৈ)

মুচি – বাবুজি, ঐ হিন্দী খঙদ্রেদো!

**খুদৈনা চিংখৎপা থা !!**

*নুমিদাং অমা গঞ্জা থকপা অনীখক থকফমদগী পুখ্রি মপান অমা শমদুনা হল্লকপদা, ঈশিংদা থাগী মমি উরদুনা, অতিয়াগী থাবু পুখ্রিদা তারে খন্নদুনা চিংখৎনবগীদমক্কি হায়দুনা মফি খুদৈ থাধদুনা খংচিং চিংমিন্নবদা লোংখ্রাক লোংনা তুশিনমিন্নৈ। মতাংদুদা, নোংথক্তা থা থোক্লম্বা উবদা অমনা হায়রকই– “ভাই ঐখোয় অনী তুজরবসু থাদি চিংখৎলেহে।”*

**পাইরক্কী লৌশিং !!**

*লিকচবদা মায়কৈগী ওইনা মমিং লৈজরবা নুপা অমনা চাকশঙ (ময়ুমগী) ময়াদা হৌবা অৱাংবা কৌবিলিয়া পাম্বী মশাবু শিং ওইননবা য়ানগে হায়দুনা থাং পায়দুনা চাকশঙলোমদগী থোক্লকপদা মহাক্কী নুপীদু লৈরংদা চফু থাঙ্গৎলগা চেংফুদগী চেং ওলহৌবা উরম্মী। কৌবিলিয়া মশাদু মতোনলোমদগী য়াম্থগে খনদুনা মতোন য়ৌনা কারকপদা খঙহৌদনা খোঙফম চাহৌদদুনা লৈমায় তম্না য়ুংনা পাইথরক্লম্মী। অদুবু লৈমায় য়ৌদ্রিঙৈদা, চাকশঙদা লৈহৌবী নুপী তানবা লৈজবী থাদুনা লাওরক্লম্মী–*

– “নুপী চেঙ শুরুরনু।”

**ওঝাগী ছাত্র !!**

*খুঙ্গংগী স্কুলদা অঙ্কগী ওঝানি, ক্লাস চঙদুনা ছাত্রিশিংবু তম্বীবদা থৱায় য়ামনা য়াওই, হৈবসু য়াম্না হৈ। নোংমদি নোং কন্না চুই, ওঝাদুনা চঙলুগদবা ক্লাস অদু অতোপ্পা বিল্ডিংদা লৈখিবনা নোং মরক্তা চৎপা তারম্মী। ছাটিনসু য়াওদে। অদুবু ওঝাদুনা করিসু নাচুংবীদনা “লেট এক্স বি দ অম্ব্রেলা” শোঞ্জরগা নোং মরক্তা চেল্লক্তুনা ইচোৎ চোৎপমখৈ ক্লাস চঙদুনা অঙ্ক তাকপীবা হৌই। মরক্তুদা মনিং ওইরপ ফম্বা ছাত্র চাউবদি মমিৎ কুপ্তবমখৈ তরংদা য়েঙবগুম চপ তিংনা ফম্লম্বা উরদুনা*

ওঝা – “কৈদৌরে চাউবা, নমিত্তু কদায় য়েংলিনো? হংই।

চাউবদি করিসু খুমদনা হান্নগুম তরংদা অদুম লৈ।

– চাউবা নঙবু কৈদৌরগেনে?

অমুক্কসু লাউদুনা হংই। হন্দক্তি ক্লাসতুগী ছাত্র খূদিংমক চাউবরোমদা য়েংনৈ। অদুবু চাউবদি করিসু নাচুংদনা

–“পাব লৈহৌদে লম্পাক্তা ষণ পুল্লম্মী, লম্পাক্তা ষণ পুল্লম্মী” হায়দুনা মুরুম মুরুম শোল্লগা হৌগত্তুনা ক্লাসতগী মপান থোকখি।